# ষ্টেটকী থাক্তা প্রাইস ফিক্সেসন কম্মিতি শেম্নবা অথুবদা থবক লৌখৎলগনিঃ চীফ মিনিষ্টর

ইম্ফাল,দিসেম্বর ১৮(এস এন এস)ঃ
ষ্টেটকী থাক্তা লৈগদবা প্রাইস ফিক্সেসন কম্মিতি অমা অথুবদা শেম্নবা লৈঙাক্লা হোৎনরগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ফোঙদোকখ্রে। এন এফ এস এগী চেঙ অসি মীয়ামদা ফংলিব্রা হায়বদু য়েংশিন্নবা সোসিয়েল ওদিট তৌহনবা য়ারোইদ্রা হায়না এম এল এ কে গোবিন্দাসনা হংখ্রে।

মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা ঙসি কোংগ্রেসকী এম এল এ কে গোবিন্দাস অমদি সুর্জকুমার ওক্রমনা পুখৎলকপা কোল্লিং এটেন্সন মোসনগী পাউখুম পীরদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়, সি এ এগী ইরাংনা মরম ওইরগা লমদম অসিদা মপান লৈবাকশিংদগী পুশিনলক্কদবা পোৎলমশিং অসাম লানলগা লাকপদা খুদোংচাদবা লৈবনা অপনবা থোকখি। মরম অদুনা নোংমগী ওইবা চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং ম্যানমারোমদগী লৌনবা হোৎনবা লৈখি।

অসামগী ফিভম ফগৎলকপদগী ঙসি পেট্রোল য়াওনা পোৎলমশিং পুশিনলকপা হৌখ্রে। জিরিবামরোমদগী পেট্রোল ২৫, দিজল ৪২, এল পি জি ৫৩ অতৌ অতৌ গাড়ীশিং য়াওনা পুন্না গাড়ী ১২৮ লাকখ্রে।

লম্বী চৎপা য়াদ্রবা, ইরাং লৈরবা, বন্দ ব্লোকেদ লৈরকপা মতমদা পোৎ মমল হেনগৎপা অসি হেক হেক তৌবা য়াওই। হান্নদি পোৎকী মমল অসি চেম্বর ওফ কম্মর্সনা তৌরম্বনি অদুবু মখোয় অসি লৈঙাক্লা শম্নদবগুম তৌবা লৈ। অদুবু হন্দক্কী মতাং অসিদা প্রাইস ফিক্সেসন কম্মিতিগুম্বা অমা ষ্টেটকী থাক্তা শেম্নবা অথুবা মতমদা থবক লৌখৎলগনি হায়খি।

এন এফ এস এগী চেঙ অসি ৱাৎফম থোক্রবনি। এন এফ এস এগী মখাদা রেসন কার্দ পায়বা অসি অপুনবা মীশিংগী চাদ ৮২ অসি নফসা কার্দ পায়রবনি। নাফসাগী কার্দ পায়দবা য়াওদবা নত্তে। মদু গো টু ভিলেজদা আইদেন্টিফাই তৌই।

নাফসাগী কার্দ অসি লায়রবশিং দা য়ৌরিব্রা য়ৌদ্রা হায়বসি হনগৎনা য়েংবা চংই। মসিগুম্বা তঙাইফদবা মীওইশিংদা ফংদবা য়াওদবসু নত্তে। চেঙ ফংদবগী ৱাফম অসি য়ারিবমখে থোক্তনবা হোৎনগে হায়খি।

মণিপুরদা পেনিক বাইং অসি খরমখে কন্ট্রোল তৌবগী তঙাইফদবা লৈ। মালোম দিপোদা নুমিৎ ১৫নিগী শিজিন্নবা কোন্নবা ষ্টোক তৌবা য়ারবনি। মরম অসিনা য়াম্না শাঙবা ব্লোকেদ অমদি বন্দনচিংবা লৈত্রবদি মসি শিজিন্নবা কোন্নবনি।

কনাগুম্বনা দুকান মমাঙদা ষ্টোক অমদি মমল থেৎলগা থমহন্নবা বজার কম্যুনিতিশিং তান্নদুনা য়েংশিনগে। মসি য়াম্না মরুওইবা খোঙথাং অমনি।

হৌজিক হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসিদা গোদাউনদা পোৎ চৈ পুথোক্তনা লোৎশিল্লগা থম্বা য়াওব্রা হায়বদু মতম মতমগী ওইনা য়েং শিল্লিবনি। পোৎ মমল হেনগৎলকপা অসি লায়রবা মীয়ামদা চাউনা চৈথেং নংবনা গোদাউন্দশিং পোৎ পৈশিল্লগা থম্ব্রা হায়বদু য়েংশিল্লগনি।

লৈঙাক্লা মথৌ তৌরক্ত্রবা মতমদা সিভিল বোদিশিংনা ওঠোরিতিগী মতৌগুম্না তৌরকই হায়বসি অচুম্বমক্রি। লৈঙাক্লা চুম্না থবক তৌরবদি লূপশিং য়াওফম থোক্তবনি হায়খি।

হন্দক লমদম অসিদা ইকং থোকপদগী ষ্টেট কেবিনেটনা লাওথোকখ্রবা মতুংদা সেন্ট্রেল লৈঙাক্কী অখঙ অহৈশিং লাক্লমখ্রে। মখোয়না মফম মফমদা চক্লুনা য়েংমিন্নখ্রে। মদুগী মতুংদা ইকং থোকপা অদুনা লুপা ক্রোর ১৫১লোমগী পোখোকশিং মাঙগনি হায়না পান্নবনি। লোয়ননা রবি ক্রোপতা লুপা ক্রোর ১২ রোম চংগনি হায়বদগী প্লানিংদগী লুপা ক্রোর ৬ পীখ্রবনি।

হৌজিক রবি ক্রোপশিংগী পোৎলমশিং অসি পীখ্রবনি। ফংখ্রে হায়রিবা চেঙ অসি কয়া য়াম্না ফংলবগে হায়বদু হংনিঙাই ওই।

চীফ মিনিষ্টরগী ৱাফম অদু তাবদা মোসন অসিবু পুখৎলকখিবা এম এল এ কে গোবিন্দাসনা হায়, নাফসাগী চেঙগী কার্দ পায়বা মীওই অপুনবা মীশিংগী চাদ ৮২ য়ৌরে হায়রবসি সোসিয়েল ওদিট তৌরগা মনিটর তৌবা য়ারোইদ্রা হংখি।

# ফুরুপশিংগী য়েলহৌ চিঞ্জাক উৎপা নেটিভ ফ্লেভর্স লনগৈ ভিলেজদা পাঙথোক্লগনি ঃ তেলেম অরুন

ইম্ফাল,দিসেম্বর ১৮(এস এন এস)ঃ
লমদম অসিগী চীং অমদি তমদা চহী কয়া লিশাং শিংনা খুন্দামিন্নরক্লবা ফুরুপশিংগী য়েলহৌঙৈদগী লৈরক্লবা চান্ন থক্লবা পোৎলমশিং অসিবু উৎপা চান্ন থক্লবগী কুম্হৈ লাক্লিবা দিসেম্বর ২০দ গী ২২ ফাওবা ইম্ফাল ইষ্টকী নোংপোক সঞ্জেনবমদা লৈবা লনগৈ ভিলেজদা পাঙথোক্লগনি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ঙসি লনগৈ ভিলেজ দা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা লনগৈ ইন্টরনেস্নেলগী চ্যারমেন তেলেম অরুননা পাউমীশিং দা হায়, নেতিব ফ্লেভর্স হায়না মিংথোনবা অচা অথক্কী কুম্হৈ অসি লনগৈ ইন্টরনেস্নেল অমদি মণিপুর লৈঙাক্কী টুরিজম দিপার্টমেন্টকা পুন্না খূৎশম্নদুনা শিনবনি।

মহাক্লা হায়, কুম্হৈ অসি মপুং ওইনা লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফরুপশিংগী মরক্তা অমগা অমগা হেন্না নকশিন্নবা মরী অমা লৈনরিবা অসি হেন্না নকশিন্নহন্নবা লোয়ননা ঐখোয় অমত্তনি হায়বগী ৱখল্লোন অদু ফুরুপশিংগী মরক্তা ফাওহনবগা লোয়ননা ফুরুপশিংনা মখোয় মখোয়গী য়েলহৌ চিঞ্জাকশিং অদু মতৌ করম্না শেম্বগে হায়বদু অমগা অমগা তম্নবগী খুদোংচাবা ফংগদৌরিবনি।

লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী তোপ তোপ্পা মহাউ কয়া য়াওবা চিঞ্জাকশিং মীয়াম পুন্না চান্নিবগী খুদোংচাবা অমসু অসিগুম্বা কুম্হৈ অসিনা মীয়ামদা ফংহন্নবগীদমক নেটিভ ফ্লেভর্স অসি পাঙথোকপনি হায়খি।

কুম্হৈ অসিদা চহী অসিগী ওইনা লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা তাঙ্খুল ফুরুপকী অচা অথকশিং হান্না পুথোক্তুনা মীয়াম পুন্না চামিন্নবগী খুদোংচাবা লৌবনি। মতুং তারকপা চহীশিংসু লমদম অসিদা খুন দামিন্নরিবা ফুরুপ কয়াগী অচা অথকশিং পুথোক্লবা শেম শারিবনি।

নুমিৎ হুম্নিগী কুম্হৈ অসিদা তাঙ্খুল ফুরুপগী মখল মথেল কয়াগী চান্ন থক্লবশিং শেম শাদুনা পুথোক্কনি। মসিগা লোয়ননা ফুরুপ অসিগী জগোয় ঈশৈ, নাটকী ওইবা কুম্হৈ কয়াসু নুমিৎ খুদিংগী উনবা শেম শাদুনা থমগনি।

কুম্হৈ অসি শেন্দান লম্বী ওইনা চত্থবা নত্তে, লমদম অসিদা হিংমিন্নরিবা ফুরুপ খুদিংমক পুনশিন্নবগী ৱাখল্লোন অমগা লোয়ননা পাঙথোকপনি। মরম অসিনা লমদম অসিদা লৈমিন্নরীবা মীয়াম্না কুম্হৈ অসিদা লাকপীদুনা মপুং ফাহনবীয়ু হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়াদা মমিং লৈরবা হোটেলদা চেফ ওইনা থবক তৌরুরবা তাঙ্খুল ফুরুপকী মীওই কয়া লাক্তুনা লনগৈ ভিলেজদা লৈরে। কুম্হৈ অসিদা তাঙ্খুল ফুরুপকী খ্বাইদগী পাম্বা অমদি মমল লৈনা চানবা শন্দংগী মখল মথেল কয়া মীয়ামদা মহাউ তংহনগদৌরি হায়খি।

পাঙথোক্কদৌরিবা কুম্হৈ অসিদা অচা অথক্কী ষ্টোল ৯ অমদি অতৈ হেন্দলুম অমদি হেন্দিক্রাফ্টকী পোখোকশিং লোয়ননা চীংদা ফংবা মনা মশীংশিংগী ওইবা ষ্টোলশিংসু হাংদোক্কনি হায়রি।

কুম্হৈ অসিদা চহী অসিগী চেফ ওইগদৌরিবা সাং রৈৱোন মুলহৌনা হায়, কুম্হৈ অসি হেন্না নুংঙাইবা মওং অমদা পাঙথোক্লবা অখন্নবা তাঙ্খুল ফুরুপকী অচা অথক মখল কয়া পুরকপা হৌরে। কনাগুম্বনা থোঙ থাক্লিংবা য়াওরবসু ভিজিটরশিংদা তাকপী তম্বীবগী খুদোংচাবা লৈগনি হায়খি।

# সি এ এ গী মায়োক্তা বেঙ্গলদা খোঙজং চঙশিল্লি, গুৱাহাটিদগী কর্ফিয়ু লৌথোকখ্রে

কলকত্ত, গুৱাহাটি, শিল্লোং, দিসেম্বর ১৮ঃ
ঙসি মঙানি চনবা ওইনা বেষ্ট বেঙ্গলদা সিটিজেন্সিপকী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিন্দুনা লম্বী থিংবা, রেল লম্বী থিংবা রেল্লি চৎপনচিংবগী থবক চখরি হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোক্লি।

য়ুমথংনরিবা ষ্টেট অসামদা লো এন্দ ওর্দরগী ফিভম ফগৎলকপদগী কর্ফিয়ু লৌথোকখ্রে। দুকান অমদি অতৈ লল্লোন ইতিক্কী মফমশিং থোঙ হাংনবা হৌরে। লম্বীদা মহৌশাগুম গারী চেল্লে। অদুমকপু মোবাইল ইন্টর্নেট সার্ভিসতি ষ্টেট অসিগী মফম খরদদি অথিংবা থল্লি।

ৱেষ্ট বেঙ্গলগী নোর্থ ২৪ পরগনা দিষ্ট্রিক্টকী বসিরহাত এরিয়াদা খোঙজং চঙশিল্লিবশিংনা লম্বীদা থোক্তুনা নরেন্দ্র মোদি গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা খোল্লাও লাওবদগী উং খৎনবা ফিভম লৈখি। হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা খোঙজং চঙশিলকপগা মরী লৈননা মীওই ৩৫৪ ফাগৎখ্রে। অৱাং থংবা বেঙ্গলগী শরুক্তা ত্রেন কয়ামরুম চেনবা লেপখি। নৎত্রগা থেংথনা চেনখি হায়না রেলৱে ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখি।

মলিদা, উত্তর দিনাজপুর, মর্সিদবাদ, হাওরা লোয়ননা নোর্থ অমদি সাউথ ২৪ পরগনাদা তোকঙা শন্দোকপা অমদি অরানবা পাউ শনে দাকপা থিংনবা ইন্টর্নেট সর্ভিস থিং জিনবগী থবক চত্থখি।

ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা ঙসি সাউথ কোলকটাগী জাদপুরদগী ভৱানিপুর ফাওবা রেল্লি অমা লুচিংদুনা চৎখি। বি জে পি নসু সিটিজেন্সিপ এক্ট শৌগৎতুনা ষ্টেট অসিগী মফম কয়াদা রেল্লি কয়া শিনখি।

সিটিজেন্সিপ এক্টকী মায়োক্তা কন্না ৱা ঙাংলিবা মমতা বেনর্জিনা সেন্টরনা পান্নবদি মহাক্কী গভর্ণমেন্ট মুখৎচৌ। বেঙ্গলদা এক্ট অসি চংনবদি মহাক্কী অশিবা হকচাং মথক্তা চংনগদবনি হায়না নিংথৌকাবা নুমিৎতা লাওথোকখি। ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা নেসনেল পোপুলেসন রেজিষ্টার (এন পি আর) সু চংনহনবা য়ারোই হায়রি।

শিল্লোংদা কার্ফিয়ু পুং ১৩ কোমথোকখি। অদুবু মোবাইল সার্ভিসতি অথিংবা থমলি। হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতগী ঙসি ফাওবদি ইমু নাইমু তানবা ইরাং থোকপদি লৈত্রি।

# চীং তম খেন্নবা লৈতনা ডাক্তরশিংনা মথৌ তৌবা চংকদবনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ (এস এন এস)ঃ
লৈঙাক্কী ডাক্তরশিংনা চীং তমগী পোষ্টিং খেন্নবা লৈতনা মথৌ তৌবা চংকদবনি। ডাক্তরশিংনা চীংগী মফমশিংদা মথৌ নিংথিনা তৌদুনা চীং তমগী অফবা মরী শেমগৎপদা অচৌবা মতেং ওইগদৌরিবনি হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে। জৱাহরলাল নেহরু ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্স (জেনিমস) কী ১২ শুবা মপোক কুমওনগী থৌরম অমসুং গ্রেজুয়েসন দে সেলেব্রেসন ২০১৯ থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়ারদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়, জেনিমস হোস্পিটাল অসি য়াম্না ৱানা লিংখৎখিবনি। অদুবু ঙসিদি হোস্পিটাল অসিগী লমদম অসিগী মশক নাইবা ডাক্তর কয়া পুথোকপদা নত্তনা অতোপ্পা ষ্টেটনা শক খঙলবা হোস্পিটাল অমা ওইরে। রিমস হোস্পিটাল অসিদি রিজনেলগী ওইবনা ষ্টেট অসিদগী মীওইনা ডাক্তর তম্নবা কোটা য়াম্না ফঙদে। অদুনা ষ্টেট হোস্পিটাল ওইরিবা জেনিমসতদি মশীং য়াল্লবসু য়ামজদনা ডাক্তর কয়া পুথোক্লি। হোস্পিটাল অসিগী লৈরিবা অৱাৎপা খুদিংমক লৈঙাক্লসু খঙই। অৱাৎপা ময়াম অসি খরা খরা মেনখৎপা হৌরকপনি। অদুমক্তা মেন্নবা লৈঙাক্কী বদজেট মরাং কায়না লৈতবনা অৱাৎপা লোয়নমক মেনবা ঙমদবনি। ইনষ্টিট্যুট অসিবু এইমসকী থাক্তা য়ৌদ্রগসু লৈফম থোকপা খুদিংমক মতিক চানা লৈহন্নবা লৈঙাক্লা হোৎনরি। জেনিমসতা মথৌ তৌরিবা নর্স অমদি ষ্টাফনসু পেন্দবা খরগীদমক্তা থবক লেপ্তুনা ষ্ট্রাইক্ত তৌবিগনু। ষ্টেটশিংনা পান্নিবা দিমান্দ অদু লৈঙাক্লা ৱারী শান্নরগা ফগদবা লম্বীদা চৎমীন্নবা হোৎনসি। ষ্ট্রাইক্ত তৌবনা লম লাপ্পা লাকপা অনাবা লায়েংবা লাকপশিংগী খুদোংচাদবশিংগী খনবিদুনা অনাবশিংগা অফবা মরী থম্বীয়ু। মণিপুর লৈঙাক্কী নর্স ষ্টার্ফশিংগী গ্রেদ পে হেনগৎপদা অমদি নর্স দ্যুটি এল্লাউৱেন্সসু থা অমদা লিশিং অনী অনী ওইনবা অয়াবা পীরে।

চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ২৭ তা জেনিমসকী ইনফেক্টতস দিজিজ সেন্টর অমসুং অন্দর গ্রেজুয়েট নুপী নুপা ষ্টুদেন্টশিংগী তোখাইবা ফম্মুং ১৫০ গী কেপাসিটি লৈবা হোষ্টেল অনী শানবা উরেপ উয়ুং তমখিবসু লৈখ্রে। লোয়ননা ওগষ্ট ২৩ দে জেনিমসকী ওথোরিটিগা এয়রপোর্ট ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (এ এ আই) গা কোপোরেটিব সোসিও রেস্পোন্সিপিলিটি (সি এস আর) গী মখাদা লুপা ক্রোর ৪.৯ গী এম ও য়ু অমা সাইন তৌখিবা লৈখ্রে। ষ্টেট অসিগী রেভিন্যু নেম্বনা লৈঙাক্লা থবক য়াম্না তৌবা ঙমদনা লৈরে। রেভিন্যু হেনগৎনবা লমদম অসিদগী য়ু এক্সপোর্ট তৌনবা প্রোসেস চত্থরি অমসুং গঞ্জাদগী মেদিসিনেল অমদি ইন্দষ্ট্রিলাইজ ওইবা মওংদা কান্নবা পোথোক পুথোক্লবা ইন্দিয়াগী অফবা সাইন্টিষ্টশিং লাক্তুনা য়েংশিনখিবা লৈখ্রে। মসিনা ষ্টেট অসিগী রেভিন্যুদা অচৌবা অহোংবা পীবা ঙম্লগনি হায়না চপ চানা থাজে।

লমদম অসিদা লৈরিবা ইসু ময়াম অসি অমমমতা লোইশিন্নবা হোৎনরি। ইসু লৈত্রবা মতমদা লমদম অসিগী চাওখৎ লমজেলদা য়াওবা ঙমগনি। ষ্টেট অসিগী মরু ওইবা ইসু অমা লোইখ্রে। ষ্টেট অসিদসু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম (আই এল পি) পীরকখ্রে। হৌজিক লেমহৌরিবা নাগা ইসু অসি মণিপুরগী অপুনবগী শক্তমদা অকায়বা পীদনবা অনীমক্কীসু য়ান্নবা লোইশিন্নবা পুন্না হোৎমীন্নসি। ষ্টেট অসি ইসু লৈতবা লমদম অমা ওইহল্লসি হায়না ফোঙদোকখি।

জেনিমসকী ১২ শুবা মপোক কুমওন থৌরম অমদি গ্রেজুয়েসন দে সেলেব্রেসন ২০১৯ গী থৌরম অদুদা এম পি ডা. আর কে রঞ্জন, খুরাই এ সি গী এম এল এ, এল সুশিন্দ্রো, হেল্‌ঠ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়ারগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরী ভুমলুমাং ভুলনাম, জেনিমসকী রিসিপসন সব কম্মিটিগী চিয়ারমেন প্রো. দৱিউগানেশ্বোর, জেনিমসগী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রো. এন টিজেন্দ্রনা ইকায় খুম্নবা মীথুংলেন অমদি মণিপুর লৈঙাক্কী হেল্‌ঠ মিনিষ্টর এল জয়েন্তকুমারনা থৌরম মপু ওইখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা মেটিটোরিয়েল ষ্টুদেন্টশিংদা প্রাইজ দিষ্ট্রিব্যুসমন লাম্লোকখি। লোয়ননা পাস আউট তৌরবা মহৈরোইশিংগী গ্রেজুয়েসন দেগী থৌরমসু পাঙথোকপগা লোয়ননা ৬ শুবা মেগাজিন ফোঙখি। জেনিসকী ই হোস্পিটাল লোঞ্চ তৌখি।

# মপুরোইবা হাৎপদা চেন্নবা নুপীগী বেল রিজার্ভ থমখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ (এস এন এস)ঃ
মশামক্কী লোয়নবীগা অরোনবা মরী লৈনবা নুপা অমগা লৌতুনরগা মপুরোইবা খুঞ্জামযুম অরুন হাৎখিবা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা লোয়নবীনা থারকখিবা বেলগী ওর্দর সেসন কোর্ট ইম্ফাল ইষ্টকী কোর্টনা দিসেম্বর ৩০ ফাওবা রিজার্ভ থমখ্রে। লোয়ননা থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা অরোনবা নুপা অদুদি রিপোর্ট পীখৎলক্লবা সেন্ট্রেল জেল সজিৱাগী এস পিদা ওর্দর তৌখ্রে।

বামোন কম্পু মখা লৈকাইদা লৈখিদ্রবা অরুনগী থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা লোয়নবী খুঞ্জামযুম হেলেন এলাইজ থোই (২৫) অমসুং বামোন কম্পু খাবমভমদগী প্রধান কম্পু গ্রাম পঞ্চায়ট লৈখিদ্রবা নিমাইগী মচানুপা নাওসেকপম রবি (৪৫) গী বেল এপ্লিকেসন অদু মখোয়গী কাউন্সেলশিং গী খূখাংদা কোর্টতা থাগৎলকখিবনি।

হেলেনগী দিফেন্স কাউন্সেলনা মহাক্কী বেল এপ্লিকেসনগা মরী লৈননা থম্লকখিবা সবমিসন অমসুং পব্লিক প্রোজিক্যুটরগী মায়কৈদগী থম্লকখিবা সবমিসনশিং কুপ্না য়েংলবা মতুংদা এপ্লিকেসন অদুগী ওর্দর রিজার্ভ থমখিবনি।

অমরোমদা, কোর্ট অসিনা মণিপুর সেন্ট্রেল জেল সজিৱাগী এস পিনা পীখৎলকখিবা থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা নাওসেনপম রবিগী মেডিকেল রেকোর্দ য়াওনা বেল এপ্লিকেসন লৌশিনবগা লোয়ননা বেল হিয়ারিংগী মতম দিসেম্বর ৩১ দা লেপখিবনি।

নীংশিংবা য়াবদি, থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা লৈখিদ্রবা খুঞ্জামযুম অরুনগী লোয়নবী অমসুং মহাক্কী নুপীগা মরী থম্মী হায়রিবা নুপা অদু হৌখিবা এপ্রিল ২৩ দা পুলিসনা ফাগৎতুনা কোর্টতা পুথোক্লবা মতুংদা হৌজিক জেলদা লৈরিবনি।

## সি এম গা উন্নখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ (এস এন এস)ঃ
মণিপুরদা ইন্টর্নেসনেল সেমিনায়র য়াওবা লাকপা মোনেৱা য়ুনির্ভসিটি ওফ ইকোনোমিক্স, মোনেৱা ম্যান্মারগী দিলিগেটশিং ঙসি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী বেঙ্গলোদা উন্নখ্রে।

'একাদেমিক এগচেঞ্জস এন্দ জোইন্ট রিছোর্স' হায়বা হিরমদা মণিপুর য়ুনির্ভসিটি অমসুং মোনেশ্বোরি য়ুনির্ভসিটি ওফ ইকোনোমিক্স মোনেৱা ম্যানামার অনীগী মরক্তা হয়েং ইগদৌরিবা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং (এম ও য়ু) গী মতাংদা উন্নদুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ম্যান্মার অমসুং মণিপুর অমত্তা ওইনা এদুকেসন, হ্যুমেন রিছোর্স অমসুং বোর্দর ত্রেদতা দিভলপমেন্ট লৈনবা ইন্দিয়া এক্ট ইষ্ট পোলিসিগী মগুন লৈনবা সেক্তর কয়াদা যুম্ফম ওইবা কয়া এম ও য়ু অদুদা য়াওরক্কনি হায়বগী থাজবা ৱাফম থমখি হায়রি।

# নাওরেম দিজমনিগী বেল কোর্টনা রিজেক্ট তৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ (এস এন এস)ঃ
নাওরেম রেখা মীহাৎতা চেন্নে হায়রিবা মপুরোইবা নাওরেম দিজমনিগী বেল এপ্লিকেসন সেসন জজ ইম্ফাল ইষ্টকী কোর্টনা রিজেক্ট তৌখ্রে। লোয়ননা মণিপুর সেন্ট্রেল জেল সজিৱাগী এস পিদা একুজ মপুরোইবা জেনিমস হোস্পিটালদা পুদুনা লায়েংনবা খঙহনখ্রে।

হায়রিবা বেল রিজেক্সন ওর্দর অদু একুজ মপুরোইবা নাওরেম দিজমনিগী মচানুপীনা মহাক্কী অপোকপগী অনাবা লৈবা মরন্না লায়েংবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়বগী ৱাফমগা মরী লৈননা কাউন্সেলগী খূখাংদা থারকখিবা বেল এপ্লিকেসন অদু কুপ্না খন্নরবা মতুংদা কোর্টনা লাউথোকখিবনি।

পব্লিক প্রোজিক্যুটর অমদি দিফেন্স কাউন্সেলগী মায়কৈদগী থম্লকখিবা সবমিসনশিং অদুগী হিয়ারিং ঙরাং চত্থরবা মতুংদা ঙসি ফাওবা রিজার্ভ থমখিবনি। মণিপুর সেন্ট্রেল জেল সজিৱাগী এস পি অমসুং দিফেন্স কাউন্সেলগী মায়কৈদগী থাগৎখিবা রেকোর্দশিং কুপ্না য়েংলবা মতুংদা মহাকপু মরম চাবা প্রমান লৈতবা মরন্না দিজমনিবু হেল্‌থ গ্রাউন্দদা থাদোক্লবা থারকখিবা বেল এপ্লিকেসন অদু কোর্টনা রিজেক্ট তৌখিবনি।

পনবা য়াবদি, চহী অসিগী মে ২৯ দা নাওরেম রেখাবু মহাক্কী ময়ুমগী ইমুংদা মীহাৎ থিনা হাৎলম্বা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ইনভেষ্টিগেসন চত্থরবা মতুংদা কেস অদুগী আই ওনা ওগষ্ট ২৭ তা সেক্সন ৩০২ অমদি ১০২ গী মখাদা নাওরেম দিজমনিগী মথক্তা চীফ জুদিসিয়েল মেজিষ্ট্রেট ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা চার্জশিট থাগৎলকখিবনি।

চীফ জুদিসিয়েল মেজিষ্ট্রেট ইম্ফালনা চার্জশিট অদুনা কোগনাইজান্স পীবগা লোয়ননা কেস অদুগী সেসন জজ ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা পীখৎলক্লবনি। মতুং তারকপদা হায়কোর্টকী ইন্সট্রক্সন মতুং ইন্না কেস অদু সেসন জজ ইম্ফাল ইষ্টকী কোর্টতা ট্রান্সফর তৌখিবনি। লোয়ননা কোর্ট অসিনা চার্জ হিয়ারিং চত্থনবা দিসেম্বর ৩১ দা মতম লেপখিবনি।

# সি এ এ গী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ (এস এন এস)ঃ
তোঙান তোঙানবা কাংলূপকী মীওই ৫০ রোম্না মখোয় মখোয়গী নাৎকী ফিজোল শেৎতুনা সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট ২০১৯ গী মায়োক্তা খোঙচৎ অমা চৎতুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

তোঙান তোঙানবা কাংলূপকী নহা ৫০ রোমনা চত্থখিবা খোঙচৎ অদু কৈশামথোং হোদাম লৈরক্তগী পুঙ থিন্দুনা অমদি পেনা খোঙদুনা টিন্দিম লম্বী তান্না লাক্তুনা কংলা তম্না 'ষ্টোপ জেনোসিদেল পোলিসি, নো সি এ এ ২০১৯, অৱার লেন্দ অৱার রাইট, ৱিদ্রো সি এ এ ২০১৯ পিপলস য়ুনাইটেদ ৱিল নেভর বি দিফিটেদ, বি জে পি ষ্টোপ দিস্ত্রোয় নোর্থ ইষ্ট, ষ্টোপ হরাসসিং অন–আর্মদ প্রোটেষ্টর, ইন্দিজিনিয়স পিপলস আর নোট সেক্রিফাইসিয়েল গোট' হায়না ইবা প্লে কার্দশিং পায়দুনা চঙশিল্লকখি।

কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকাই কম্যুনিটি হোল মপা য়ৌরকপদা খোঙজং অদু ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী পুলিসনা থৎপদগী মখা তানা চংহনখিদে। পুলিসনা নহাশিং অদুনা পায়রকখিবা প্লে কার্দশিং অদু মুন্দুনা মখোয়বু কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকাই কম্যুনিটি হোল মপাদগী হলহনখি।

সি এ এ গী মায়োক্তা লাকখিবা খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবা নহা য়ু জেনিসন্না হায়, মীয়াম্না ভোৎ থাদরগা মীয়ামগী মীহুৎ খল্লিবা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অসিদা মীয়াম্না থাগৎখিবা মীহুৎশিং অদুনা ইলেক্টেদ দিক্তেতোরেল সিষ্টেম চৎনদুনা লৈরে।

য়েলহৌমীশিংগী খোল্লাও তাবিদনা পোলিটিকেল পৱারনা সি এ এ পাস তৌখিবনি, মসিমক দেমোক্রেসিগী তাঙ্কক্তা অরানবনি, সি এ এ অসি চংনহনবা য়ারোই, য়েলহৌমীশিংবু মুখৎনবা হোৎনগনু হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# ঙাকপি শেনবিনবা সেক্যুরিটি পীবিয়ু ঃ মঙ্গি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ (এস এন এস)ঃ
কুমজা ২০১৮ গী নবেম্বর ২৯ দা থোকখিবা থৌদোক অমদগী ময়ূমদা লৈবা য়ারোই হায়না তাম্লোকপিখ্রবা লাঙ্গোল নিংথৌ লৈকাইদগী ওইনাম মঙ্গিনা মহাকপু ঙাকপী শেনবিনবা সেক্যুরিটি পীবিয়ু হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউজী মীফম অমদা ওইনাম মঙ্গিনা হায়খি, হৌখিবা চহী ২০১৮ গী নবেম্বর ২৯ দা থোকখিবা থৌদোক অমনা মরম ওইরগা মহাক লৈকাইদা লৈবা য়ারোই হায়না তাম্লোকপিখি। মসিদা নত্তনা মহাক্কী ময়ূম মকৈসু থুগাইবিখি। লৈকাই মীয়ামদা মহাক লৈকাইদুদা লৈজগে হায়না হায়জরবসু য়াবিদবদগী চহী অমরোম অসি লৈকাই অদুদা লৈরুদ্রে।

অদুবু মণিপুর হায় কোর্টতা মহাকপু লৈকাইদা লৈবা য়াহন্নবা এপ্লিকেসন অমা থাবদগী মণিপুর হায়কোর্টনা চহী অসিগী নবেম্বর ৪ দা মহাকপু য়ূম অদুদা লৈবা য়াহনগদবনি অমদি প্রোটেক্সন সেক্যুরিটি পীগদবনি হায়না ওর্দর অমা থোকখি। ওর্দর অসিগী মতুং ইন্না মহাক্লা হায়রিবা য়ূম অদুদা ঙসি চৎলুবা মতমদা য়ূম অদু মী অমনা লৈবা য়াবা য়ূম ওইরমদ্রে। য়ূম অদুদা লৈজবা পোৎ চৈ খুদিংমক থুগাইদুনা মাংহনবিরম্লে। মরম অদুনা হায় কোর্টকী ওর্দর মতুং ইন্না মণিপুরগী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা মহাকপু ঙাকপী শেনবিনবা সেক্যুরিটি পীবিয়ু। লোয়ননা মোব জষ্টিস চত্থদুনা মী অমবু ওৎ নৈবগী থবক অসি মতুংদা চৎথবিগনু হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# সলাম ইবোহল লৈখিদবদা হাউসনা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ (এস এন এস)ঃ
মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী হান্না মেম্বর ওইরম্বা ২৮–থাঙ্গা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মীহুৎ সলাম ইবোহল লৈখিদবদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী নুমিৎ হুন্নি চত্থগদবা নীংথম মীফমগী ঙসি হৌদোকপা নুমিৎতা হাউসনা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

থা অসিগী ২০ ফাওবা চত্থ–গদৌরিবা নীংথম মীফম হৌদোকপগা লোয়ননা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীৎকূপ অদুদা হাউসকী লীদরসু ওইরিবা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা হায়খি, সলাম ইবোহল অসি মণিপুর মীয়ামগীদমক তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা অশেংবা সোসিয়েল ৱার্কর অমনি। মীয়ামগী মীহুৎ অমা ওইনা খুন্নাই অসি চাউ–খৎনবা হোৎনবদা শীংথানিঙাই ওইবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলম্মী। মহাক কুমজা ২০০৯ দা বি জে পিদা য়াওদুনা কুমজা ২০১৬ ফাওবা পার্টি অসিগী স্পোকপার্সন ওইনা লৈরম্মী।

সলাম ইবোহল লৈখিদবগী অৱাবা ফোঙদোক্লদুনা মণিপুরগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবিনা হায়খি, সলাম ইবোহল য়াম্না শীংথানিঙাই ওইবা লমদম অসিগী লুচিংবা অমখকনি। মহাক অশেংবা সোসিয়েল ৱাকর অমসুনি। লৈবাক্কী ওইবা ইশু অমা লাকপদা থৌনা ফনা কম্মান্দ পীবা ঙম্বা মীশক অমনি। মহাক ১৯৯০ দগী মীহুৎ ওইনা কারক্তুনা তোঙান তোঙানবা লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্টশিংদা লৈদুনা লৈবাকসিগী অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা মীশক অমনি। মহাক্লা লৈখিদবা অসি লমদম অসিগী ওইনা অচৌবা মাঙজবা অমনি। লোয়ননা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়খি।

মহাক্লা লৈখিদবদা নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লদুনা বিষ্ণুপুর এ সিগী এম এল এ গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা সলাম ইবোহল অসি মহৈরোই ওইরিঙৈদগী ইশু কয়াদা থৱায় য়াওনা শরুক য়ারকপা মীশকনি। লোয়ননা মহাক্লা পোলিটিকেলদা য়াওরক্লবা মতুং পোলিটিকেলগী ওইবা ফিরেপ য়াম্না চেৎপা মীশক অমখকনি। লমদম অসিগী নহাশিংগীদমক য়ুঠ পোলিসি অমা শেন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা মীশকনি। মহাক্লা লৈখিদবা অসি লমদম অসিগী ওইনা অচৌবা মাঙজবা অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

সলাম ইবোহল লৈখিদবদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দ অমসুং ৫৯–সাইকোট এ সিগী এম এল এ, টি এন হাওকিপনা অৱাবা ফোঙদোক্লদুনা মহাকপু শীংথানবগা লোয়ননা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াখি।

## ৱাকৎ মীফম চত্থখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮(এস এন এস)ঃ
ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা খোংমন জেনা থ্রিদা লৈবা খোংমন গ্রাম পনচায়টকী প্রধান মোইরাংথেম নুংশিরৈ দেবী (৫৩) মপুরোইবা এম গৌরোগী য়ুমদা ঙরাং নুমিদাং পুং ৯.৪৫ রোম তাবা মতমদা শকখঙদবশিংনা লংশিল্লকপা ওইগনি চিংনবা বোম অমা পোকখায়খ্রে।

বোম অদু প্রধান নুংশিরৈগী য়ূমগী মনিংথংবা য়েনখাদা পোখায়খি হায়রি। পোখায়বা অদুদা লাইবক ফবদগী য়ূমগী মীওই অমত্তা অশোক অপনদি য়াওহৌদ্রে হায়রি। থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খোঙমন জেনা ৱানদগী ফাইব ফাওবগী মীয়াম্না প্রধান নুংশিরৈগী থোঙ্গাল মপাদা লম্বী থিংদুনা ৱাকৎ মীফম চত্থখি। ৱাকৎ মীফম অদুগা মরী লৈননা শরুক য়াখিবী মৈরা পায়বী নামৈরাকপম শান্তিবালা দেবীনা, শকখঙদবশিংনা য়ূম্লক্তা বোম লংশিল্লা পোখায়হন্দুনা অকি–অখঙ পোকহনখিবা থৌওং অসি য়ানিংদে হায়খি।

বোম অদু কনানা করিগীদমক পোখায়হল্লিবনো হায়বদু অথুবা মতমদা মীয়াম খঙনা শেংদোকপিরকউ হায়না মহাক্লা মখা তানা হায়খি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা মীচম মীয়ামদা অকি অখং পীবা য়ানিংদে, য়ূম্লক্তা বোম লংশিনবা য়ানিংদে, বোম লংশিন্দুনা অকি অখং পীবিগনু হায়বা প্লে কার্দশিং শিজিন্নখি।

# থবক শুবা ফংহনবিয়ু হায়দুনা ঙক্তা য়োৎলৌ–কোৎলৌ থাংবগী খোঙজং চঙশিনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮(এস এন এস)ঃ
কনজুম্মর এফিয়ার, ফুদ এন্দ পাব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন (সি এ এফ এন্দ পিদি)দা হান্নদগী পোৎচৈ থাংদোক থাংজিনগী থবক তৌবা শিন্মীশিংনা থবক শুবা ফংহনবিয়ু ঙসিসু ঙক্তা য়োৎলৌ–কোৎলৌ থাংবগী খোঙজং চঙশিনখ্রে।

ঙসি নুমিৎ য়ুংবা মতুং পুং ১ রোম তাবা মতমদা সি এ এফ এন্দ পিদিগী লেবর ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসনগী মেম্বর (শিন্মী) ৮না খ্বায়রক্পম কৈথেল ওভর ব্রিজ মথক্তকী লম্বী মপানগী বার পান্ননা ঙকশমদা য়োৎকী চেন পুশিন্দুনা খোঙজং চংশিনখি। খোঙজং অদু পুংখায় অমরো চংশিল্লবা মতুংদা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী টিম অমা লাক্তুনা য়োৎকী চেন অদু নুংথং শিজিন্নরগা থদক্তুনা শিন্মী ৮ অদু ফারগা পুখি।

খোঙজং অদুগা মরী লৈননা সি এ এফ এন্দ পি দি ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসনগী মেম্বর খাঙেম্বম বসন্তনা ফোঙদোকখিবদা, সঙাইপ্রৌদা লৈবা এফ সি আইদা এসোসিয়েসন অসিগী মখাদা থবক শুদুনা লাকখি। অদুবু হন্দক্তা ইখঙ–খঙহৌদনা থা অসিগী ৪দগী হৌনা মথাই ইন্টর্প্রাইজেসকী কন্ট্রেক্টর পাওনম প্রেমচান্দ কৌবা মীওই অমনা হান্নদগী থবক শুরকখিবা শিন্মীশিংবু থবক শুবা তোকহল্লগা ইনৌ নৌবা অতোপ্পা শিন্মীশিং থবক শুহনখিবা অসি য়ানিংদে।

এসোসিয়েসন অসিনা এফ সি আইদা কন্ট্রেক্ট সিষ্টেমদা লাকপা লেবরশিংগী থবক ওইরবদি এসোসিয়েসনগী মেম্বরশিংনা থবক অদুমক শুজগে হায়দুনা মমাঙদা মরী লৈনবশিংদা অইবা চেরোল পীশিনি–খবা লৈখ্রবনি। লেবরশিংগী হক ফংদ্রিবফাওবা হনবা লৈতনা খোঙজং চঙশিনখিগনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## ঙসিগী জেনরেল ...

*লমায় ১গী মখা...* ওইনা সি পি আই অমসুং লেফট পার্টিনা হয়েং অয়ুক পূং ৬ তগী নুমিদাং পূং ৬ ফাওবা জেনরেল ষ্ট্রাইক্কী খোঙজং অদু চঙশিন্নবা লাউথোকপনি।

অমরোমদা, দেমোক্রেটি ওইবা মওং দা খোঙজং চঙশিন্নবা হোৎনরিবা লেফ্ট পার্টিগী মেম্বরশিংবু পুলিসনা অয়ুক নুংথিল নায়দনা কেইতান তন্নদুনা অকি–অখং নং হল্লিবা অসি অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

# আই এল পি এস জনুৱারি ১ ফাওবগী মনুংদা...

*লমায় ১গী মখা...* তৌবা হৌরবনি। নম্লিবা ফোর্মশিং অসি এন্ট্রি পোইন্টতা য়েম্লোক্তুনা অমদি মণিপুর ভবনশিংদা থম্লগা মীয়াম্না লাকপা মতমদা মদু মেনশিন্নবা থবক লৌখৎলি।

আই এল পি অসি চংনরে হায়বগী ষ্টেটনা গেজেট থোকপগী তঙাইফদবা লৈরি। রুলস শেম্বা লোইদবনা মরম ওইরগা মদু গেজেট নোটিফিকেসন থোক্তবনি হায়খি। পেনালটি অসি মশাগী ওইনা য়াওজদুনা লৈরবনি মদু করি তৌগদগে হায়বদু য়েংশিন্দুনা লাকপনি হায়খি।

হান্ন লৈখ্রবশিংদা পার্মিট পায়রমদবশিং পার্মিট পায়হন্নবা থৌরাং লৈঙাক্লা লৌখৎকনি। মসিদা বেজ ইয়ার লেপ্পদি এন আর সিদা লাক্কনি। ষ্টেট কেবিনেটনা সেন্টরদা এন আর সি তৌবিনবা হায়জখিবা লৈখ্রে।

সেন্টরদগী ইঙ্গিৎ অমা হেক ফংবগা এন আর সি তৌনবা থবক পায়খৎকনি। আই এল পি চংনরকপা অসি তুংগী মীরোল কনবা ঙম্লগনি হায়বগী থাজবা অমা চাউনা লৈরগা চংশিনবনি। মসিদা ইনভেষ্টরশিং, টুরিষ্টশিং, মহৈরোইশিং অসিদা কেটেগোরি খায়দোক্লবা অহানবা রাউন্দ খন্নবা হৌরে হায়খি।

মোসন অদু পুখৎলদুনা এম এল এ কে ঐচ জয়কিষননা হায়, লমদম অসিদা আই এল পি চংনরে হায়বসি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা গেজেট নোটিফিকেসন থোক্লবা মতুংদা ষ্টেট লৈঙাক্লসু থোকফম থোক্লমগনি হায়না লৌই। দিসেম্বর ১১ দা গেজেট নোটিফিকেসন থোক্লগা দিসেম্বর ১৩ দা রাম মাধবতা পীরিবা অসিনা নুমিৎ অদুদগী ষ্টেট অসিদা আই এল পি চংনরে হায়না লৌগদৌরিব্রা। অমরোমদনা হাউস অসিগী মেম্বরশিংদনা দিসেম্বর ১৬ তা সেক্রেটরি লোনা ষ্টেট অসিদা আই এল পি চংনরে হায়না খঙহনলকখি।

লৈঙাক্লা মসিগা মরী লৈননা রুল শেমখ্রৱা, গেজেট নোটিফিকেসন থোকখ্রবরা, রাম মাধবতা আই এল পি পিখ্রবা মতুংদগী ঙসি ফাওবদা মপান্দগী মী অমত্তা চঙলক্ত্রিব্রা, চঙলক্লগানা মশীং কয়া চঙলকখ্রে, মসিগী ফোর্ম লৌফম অসি কদায়দগী লৌগনি হায়বনচিংবা ৱাফম থমখি।

লোয়ননা মপান লমদগী লাক্লগা ষ্টেট অসিদা লম লৈবা য়াহন্দনবা খোঙথাং লৌখৎহৌবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না ফোঙদোকখি। মসিগা লোয়ননা হৌজিক আই এল পি চংনবগী থবক হৌদ্রিবনা রাম মাধবতা পীখিবা পার্মিট অদু পোলিটিকেল সোওফনি হায়না লৌগদ্রা হংখি। লোয়ননা মঙোন্দা পীখিবা পার্মিট অদু চংনদবা পার্মিটলা হংখি।

মদুগী পাউখুমদা চীফ মিনিষ্টরনা কনাগুম্বা আই এল পি লৌবা পাম্বা মীওইশিংনা হায়রক্লবদি হোম দিপার্টমেন্টনা ফোর্মশিং ইশু তৌরি হায়খি।

মোসন অদু খন্নবদা এম এল এ আর কে ইমোনা হায়, অসিগুম্বা মীয়ামগী ঈহৌ লাকপা মতমদা কনাগুম্বা খরনা পোলিটিকেলাইজ তৌনবা হোৎনবগী মহুত্তা মীয়ামদা মসিগী ক্রেদিট অসি পীহন্নিংই। হান্নদগী লৈরক্লবা নন লোকেলশিংনা ষ্টেট অসিদা লম লৈবা য়াহন্দনবা প্রোভিজন অমা রুল শেম্বা মতমদা য়াওহনবগী তঙাইফদবা লৈ।

## থাউ ঙসিদগী ওপন...

*লমায় ১গী মখা...* মতেং পাঙবীখিবা অদুগীদমক থাগৎপা ফোঙদোক্লি।

মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, মালোমদা লৈরিবা ওইল দিপোট অসিগী কেপাসিটি অসি পেট্রোলগী ওইনা নুমিৎ ১৫ রোমগী ষ্টোক ওইনা কে এল ৫৫৯২ অদুগা দিজলগী ওইনা নুমিৎ ২০ রোমগী কে এল ১০,৯৮০ রোম চনবনি।

মতম খরগী মমাঙদগী ইম্ফাল ডিমাপুর লম্বী কিমি ৪৮৮ শাংবা ফাওরগা থাউ লৌবা চৎপা মতমদা নুমিৎ ৫ নিরোম চংই। হায়রিবা লম্বী অসি নাগালেন্দ মনুংদা পাকথোকপগী থবক তৌবনা মরম ওইরগা গাড়ী চৎথোক চৎশিন্দা খুদোংচাদবা লৈবনা জিরি লম্বীরোমদা চংলিবনি।

কিমি ৫৭২ শাংবা লম্বী অসিদা চৎপা মতমদা নুমিৎ ১০ রোম চংবনা ষ্টেক অসি মপুং ফানা মেনখৎপদা খুদোংচদবা লৈবনি।

হয়েংদগীদি মীয়াম্না তঙাইফদবা চাং দা পেট্রোল দিজল থাউশিং লৌবিনবা লৈঙাক্লা হান্না থম্লম্বা অথিংবা অদু হাং দোক্লে হায়খি।

# এল বীরমঙ্গোলনা...

*লমায় ১গী মখা...* টিঐচ ইবোহনবীগী কুমজা ২০১৭ তা ফোঙবা। বাইওগ্রাফিকেল লিটরেচর 'মণিপুরীদা পুন্সি ৱারীগী সাহিত্য', ইরুংবম দেবেনগী কুমজা ২০১৫ দা ফোঙবা শৈরেং লাইরিক 'নীংথিবী নুজাগী চেংলৌ', কোইজম শান্তিবালাগী কুমজা ২০১৩ দা ফোঙবা 'পল্লোন ৱাংমা' অমদি ইরুংবম বসন্তগী কুমজা ২০১৩ দা ফোঙবা ৱারীমচাগী লাইরিক 'থম্মোয়না মকা লাম্লক্লবদা' নি।

কুমসি চহীগী সাহিত্য একাদেমি এৱার্দ ফংলবা এল বীরমঙ্গোল (বেরিল থাঙ্গ) থাঙ্গ খুঞ্জিন লৈকাইদা কুমজা ১৯৫৫ দা পোকপনি। হৌজিক্না নাওরেমথোং শমুশঙ উকু লৈরক্তা লৈবনি। অইবা অসিনা হৌজিক ফাওবদা ফোঙখ্রবা লাইরিকশিং গী মনুংদা 'মমল' (১৯৭৯, ২০১৩), 'হেঙ্গুনহা লাইরৌলেম্বী' (২০১২), 'ঐ অমদি অদুঙৈগী ইথৎ' (২০১৫) অমদি 'ঈশৈনি ঐগী পুন্সিগী' য়াওরি।

অইবা বীরমঙ্গোলনা হৌজিক ফাওবদা ফংখ্রবা সাহিত্যগী মনাশিংদি ইমা খোঙ্গম থোইবী নীংশিং মনা ২০১৫, কোইজম কুলচন্দ্র অমসুং সনায়াইমা দেবী নোভেল এৱার্দ ২০১৭ অমদি বি এম নোভেল এৱার্দ ২০১৮ নি।

কুমসি চহীগী একাদেমি এৱার্দ অসিগী মণিপুরী লোনগী ওইনা জুরি মেম্বর ওইখিবশিংদি প্রোফেসার হুইরেম বীহারী, প্রোফেসার মোইরাংথেম পৃয়াবর্ত অমদি প্রোফেসার নহাকপম অরুনানি।

## ইম্ফাল মোরে ...

*লমায় ১গী মখা...*অসিগী মথক্তা কে এস ও অমদি কে সি এ না হয়েং চান্দেল দিষ্ট্রিক্টতা টোটেল সটদাউনগী খোঙজংসু চঙশিনগনি। করিগুম্বা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী রেস্পোন্স লাক্লবদি মখোয়গী ফিরেপ অমুক লৌগনি। অদু নত্তবা তারবদি ইম্ফাল মোরে লম্বীদা মতম কক্তবা বন্দ অসি অদুমক মখা চত্থগনি হায়রি।